## ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস): রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন্স মণিপুরগী বিষ্ণুপুর য়ুনিটনা নেহরু য়ুব কেন্দ্র, মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমদি সন্থোঙ ফার্মর ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ৱিভিং, টেলরিং অমসুং বেম্বুগী মতাংদা থা ৩ চুপ্পা চত্থগদবা ভোকেসনেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ক্বাথা সন্থোঙ মখা লৈকাইদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্বাক্তা জি পিগী প্রধান নহাপিকনা চীফ গেষ্ট, শৌগ্রাকপম কুঞ্জকেশ্বরনা প্রসিদেন্ট, নেসনল এৱার্দী লাইময়ুম অমরেন্দ্র শর্ম্মা, রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন্সকী প্রসিদেন্ট পি গোপেন্দ্র, ক্বাক্তা জি পিগী উপ-প্রধান মাইবম পুর্ণিমা, দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ কোওর্দিনেটর বিষ্ণুপুর সলাম ধনা অমদি রিলিফ সেন্টর ফোর দি দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন্স মণিপুরগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি এল লক্ষিকান্তনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মীওই ৫০ রোম্না শরুক য়াখি হায়নসু রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন্স মণিপুরগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর পি সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

**Important Phone Nos.**

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | | |
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

**Today's Flights Timing (Non Stop only)**

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | DELHI |
| Air Asia (India) | 13:45 |
| IndiGO | 14:30 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:15 |
| IndiGO | 14:15 |
| Air India | 14:20 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 10:50 |
| IndiGO | 14:25 |
| IndiGO | 15:20 |
| Air India | 17:00 |

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.956492 |
| US Dollar | 71.873140 |
| British Pound | 93.126487 |
| Australian Dollar | 47.589861 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.229735 |
| Japanese Yen | 0.644193 |
| Malaysian Ringgit | 17.149736 |
| Singapore Dollar | 51.424232 |
| South Korean Won | 0.059562 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.166171 |
| Thai Baht | 2.274819 |
| Myanmar Kyat | 0.04974 |
| Bangladesh Taka | 0.84761 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 42086.50 |
| Mumbai | – | Rs | 41915.00 |
| Delhi | – | Rs | 41975.00 |
| Kolkata | – | Rs | 42020.00 |

**GAS NEWS**

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking Upto: 02/12/2019
Valid From: 21/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 09.00 am to 11.00 am

**K & K INDANE SERVICE**
**Sl. No.Upto – 100**
Booking Upto: 10/01/2020
Valid From: 03/01/2020
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto: 24/12/2019
Valid From: 10/12/2019
***Stk : 612***
***Rate: 986.40***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**MISAO GAS, SERVICE**
Booking Upto: 21/01/2020
Valid From: 10/01/2020
***14.2 Kg Stk : 306***
***19 Kg Available***
Timing: 07.30 am to 11.00 am

**RBD INDANE**
Booking Upto: 23/12/2019
Valid From: 13/12/2019
***Stk : 612 (Only CTC)***
Timing: 07.00 am to 10.30 am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto: 15/01/2020
Valid From: 11/01/2020
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 23/12/2019
Valid From: 13/12/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 10/02/2020
Valid From: 03/02/2020
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

# পল্লেল দ্রগ কেসতা চেন্নবা বোলেরোগী জিমা এপ্লিকেসন কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৩গী ফেব্রুৱারী ২৪গী অয়ুক্তা মতমদুগী আর্মিগী পি আর ও কর্নেল অজয় চৌধুরিনা লুচিংবা খূৎপু অমনা থিংলবা দ্রগশিং ইম্ফালদগী মোরে তম্না পুশিল্লকপদা শীজিন্নখিবা গাড়ী (বোলেরো) এম এন-০৪/এ-৬৯৬৮ বু জিমাদা লৌথোকপদা অয়াবা পীবীনবা থারকপা এপ্লিকেসন কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস)কী জজনা থা অসিগী ২১দা পীখিবা ওর্দর অমদা গাড়ী অসিবু জিমাদা রিলিজ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরদুনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন অদু রিজেক্ট তৌখিবনি।

গাড়ী অসিগী মপূগী মমিং লুনকিম হোলখোমাং খোংশাই কৌই। মশাগী চহী ৩৪ রোম শুরে। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোলনোম ভিলেজদগী হৌজিক্লা ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দা লৈরবনি। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ফ্রেম তৌরকপা চার্জশীটতা য়ূন্স্ফম ওইদুনা কোর্ট অসিদা চত্থরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদসু মহাক প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) নম্বর- ১ ওইরিবনি।

কেস অসিগী পি দব্লিয়ুশিংগী এগজামিনেসন চত্থবা হৌরকপদা মহাক্না ইহান-হান্না মহাক্কী ৱারোলশিং কোর্টতা পীরদুনা হায়খিবদা মহাক্কী গাড়ী ৱায়খ্রিবা লাঙ্গোল গেম ভিলেজদগী লুনখোহাও হাওকিপ এলিয়স হাওপু হাওকিপকা মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী মমান্নবা ওইনা তিন্নরকপদগী খঙনৈ। মখোয় অনী দি এম কোলেজ কেম্পসতা ফূটবোল শান্নমিন্নরকপসু য়াওখি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১২গী এপ্রিল ২১দা মহাক্কী গাড়ী অসি মংলেম কৌবা মীওই অমদগী লুপা ৪,১০,০০০ দা লৈবনি। অদুবু গাড়ী অসিগী সেল দিদতদি শুপ্নতগী লুপা ৩,৮৫,০০০ খক্তমক ইখি। মহাক্না গাড়ী অসি লৈনবগীদমক মহাক্কী মপানা মখোয়গী খুলদা লৈবা লৌ অমা য়োন্থোকখি। গাড়ী অসি লৈরগা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসর (দি টি ও), থৌবালগী ওফিসতা মহাক্কী মমিংদা ওন্থোক্লগা রেজিষ্ট্রেসন তৌখিবনি। গাড়ী অসি মীঙোন্দা শান্দোক্লবা অমসুং রিজর্ভ চৎনবগীদমক লৈবনি হায়খি। কুমজা ২০১২গী এপ্রিলদা লুনখোহাও হাওকিপ এলিয়স হাওপু হাওকিপনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং মোরে চৎপদা মহাক্কী গাড়ীসি ৱায়খি। মসিগী অৱায়মলনা লুপা ৭,০০০ পীরকখি হায়রি।

লোয়ননা কুমজা ২০১৩গী ফেব্রুৱারী ২২গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা হাওপু হাওকিপনা ফোন তৌরক্লুনা মহাক্কী গাড়ী অসি এপ্রিল ২৪দা মোরে চৎনবগীদমক ৱায়গে হায়রকখি। অদুগা গাড়ী অসি হাওপু হাওকিপকী দ্রাইভর অমনা থৌহনগদবনা মহাক য়াওদ্রবসু য়ারনি হায়রকখি হায়রি।

মোবাইল ফোনদা হায়রকখিবগী মতুংইন্না মথংগী নুমীৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ন্যু চেক্কোনদগী লেটমিনলাল হাওকিপপু মহাক্না গাড়ী লৌননবা থারকখি। মহাক্নসু হাওপু হাওকিপনা থারকপনি হায়রবদগী ছো পীদুনা মহাক্কী বোলেরো অদু লেটমিনলাল হাওকিপতা খূৎশিন্নখি হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, মথংগী নুমীৎ ফেব্রুৱারী ২৪গী নুংথিলদা মহাক্না টেলিভিজনদা লাকখিবা পাউ তাবদদি লুনখোহাও হাওকিপপু মহাক্না লোয়নবা মীওই খরগা কোন্ননা কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা পল্লেলদা ফারে হায়না তাখি। পাউ অদুগী মতুংইন্না ফাখিবা অদু দ্রগ পীক-থন্না য়াওবা বোলেরো ২ অমসুং টাটা সফারি ১গনি হায়বগসু খঙখি হায়রি।

পাউ অসিদগী মহাক্কী বোলেরোগী অশেংবা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর- এম এন- ০৪/এ-৬৯৬৮ অদু শাশিন্নবা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর- এম এন-০৪/এ- ৮৩৯০ দা ওন্থোক্লে হায়বসু খঙখিবগা লোয়ননা গাড়ীগী মমাং থংবা শরুক্তা 'পি আর ও ইম্ফাল' হায়বা নেম প্লেট ফিক্স তৌরম্বগা লোয়ননা ফ্লেগ পোষ্ট অমসুং রেদ বেকনসু হাপ্লমখি হায়রি। অদুবু মঙোন্দগী গাড়ী ৱায়খিবা মতমদদি অসুম্মাইনা শেমদোক-শেমজিন তৌবগী থবকসি তৌগনি হায়না খঙহল্লমদে হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। মহাক্না কোর্টতা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীখিবদা মহাক্কী গাড়ীগী অশেংবা রেজিষ্ট্রেসন নম্বরগা লোয়নবা ফোটো অমা আইদেন্টিফাই তৌখি। নুমীৎতুদগী মহাক্কী গাড়ী অসি ফংবা ঙমদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, গাড়ী মপূ ওইরিবা মহাক্না কোর্টতা ষ্টেটমেন্ট পীবা লোয়রবা মতুংদা মহাকপু কেস অসিগী এক্যুজ নম্বর- ১,৩, ১০, ১১, ১২, ১৩ অমসুং ১৬কী দিফেন্স কাউন্সেল বি বিমোল শর্ম্মনা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি।

## এম পি ভবানন্দনা ৱাটর এ টি এম শাফম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া মজদুর সংঘদা এফিলিএসন তৌবা ইমা লৈসনা ৱিমেন ষ্ট্রীট ভেন্দরস ৱেলফেয়র য়ুনিয়নগী ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংগা লোয়ননা এম পি ভবানন্দ, এন তোম্বা, এন ঈ ইন-চার্জ, ভারতিয়া মজদুর সংঘ, মোইরাংথেম তোম্বা, বি জে ৱাই এএমী ভাইস প্রসিদেন্ট, এল সনাতোম্বী, জেনরেল সেক্রেটরি বি এম এস মণিপুর ষ্টেট য়াওনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী টেম্পরারি মার্কেটতা ৱাটর এ টি এম অমা এম পি ফন্দগী শাননবা য়েংশিনখ্রে হায়না ভারতিয়া মজদুর সংঘ মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি এল সনাতোম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদু অয়ুক পুং ৭ তাবদগী হৌখিবগা লোয়ননা ৱাটর এ টি এম শাফদনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং শুনা তীনখি হায়রি। এম পিনা ফোঙদোকখিবদা, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ইমা-ইবেল, ইচল-ইচেলশিংনা নোংজু-নুংশা মরক্তা অফবা থক্কুবা ঈশিং ফংহল্লগনি। ইমা লৈবাক্কীদমক্তা থবক শুগনি, থবক্কী মতিক চাবা খুৎশুমল লৌগনি হায়না মশানা মশাবু থবক পীজরিবী ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংনা এফ এস এস এ আই লাইসেন্স পায়রক্লিবা, থোংজাওগী চফু শাবী ইমা-ইবেল, ইচিল-ইনাওশিংবু ঈকায় খুম্নে। খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা চা থক্কুবা দিস্পোজেবল গ্লাসকী মহুৎতা চফু মচা ওইনা শীজিন্নগনি হায়না ফিরেপ লৌরিবা অসি থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রোগ্রাম অসিবু মপুং ওইনা থৌদাং লৌরিবা কে ভি আই বি, গর্ভর্মেন্ট ওফ মণিপুরবু থাগৎ রাহে ফোঙদোক্লুনা ভারতিয়া মজদুর সংঘশিংগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ এন তোম্বানা অহবা থোক্লোবা অমা হৌদোকপা হায়বসি অরাইবা নত্তে। তৌবতবু মপুং থবক লৌরিবা ইমা লৈসনা ৱিমেন ষ্ট্রীট ভেন্দর ৱেলফেয়র য়ুনিয়নগী শিন্নীশিং মশানা মশাবু থবক পীজরিবী মণিপুর স্থাইরী শকয়েন মিংশেল ওইরিবা শিন্নীশিংদা, ইমা লৈবাক নুংশিবা অমদি থবক্তা চিলহন্ত থিবিদনা অমনি হায়নসু শীংথাখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ভারতিয়া মজদুর সংঘ মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি এল সনাতোম্বীনা হৌজিক ইম্ফাল মুনিসিপাল কোর্পোরেসননা লৌখৎলবা থবক থৌরমশিং শীংথানিংঙাইহিনি। তৌবতবু কৈথেল মনুংদা হোটেল তৌজদুনা মীয়ামদা অফবা চীঞ্জাক পীজরিবা শিন্নীশিংদা নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা অথিংবা থন্বীরিবা অসি মীনুংশি য়েংবীদুনা অতোপ্পা মফম অমা শিনবীদ্রিবা ফাওবা অথিংবা থন্বীগনু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এস বি আই ও এগী রিজনেল কনফরেন্স

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস): ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া ওফিসর্স এসোসিয়সন (এস বি আই ও এ)না শিন্দুনা জহারলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালদা এস বি আই ও এগী রিজিনেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এস বি আইগী রিজিনেলগী ওফিসর্স ক্যাম্পসু শরুক য়াখি। লোয়ননা এস বি আইগী হৌজিক ওফিসর্স অমদি তুংদা ওইরক্কবা ৱাফম কয়াদা খন্না-নৈনখি। থৌরম অদুদা মতম শাংনা এস বি আইদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী থবক্কী মতাংদা খন্না-নৈনখি বা উৎখি। এস বি আই ও এগী রিজনেল কনফরেন্সকী থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্টনদা এস বি আইদা থবক তৌরিবা ওফিসর্স কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমগী লোয়শিল্লকপদা কলচরেলগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

## ৱার্কশোপ কম হোলি ফেষ্টিভেল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): সঙ্গীত নাটক একাদেমী, ন্যু দিল্লি অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা ব্রহ্মপুর হোলি দলনা শীন্দুনা নুমীৎ মরিনি চত্থগদবা ৱার্কশোপ কম হোলি ফেষ্টিভেল ২০২০ ঙসি ব্রহ্মপুর সোসল ক্লব, ব্রহ্মপুর সঙ্গাই চুথেক্কী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা এম এল এ, টি ঐচ সৈত্যব্রত, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী এ চিত্রেশ্বরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১৮গী কোর্পোরেটর লাইময়ুম ওংবী ইনুংঙানবী অমদি দেপ্যুটি সেক্রেটরি, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট অরিবম শিবদাসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা ব্রহ্মপুর হোলি দলগী সেক্রেটরি অরিবাম তোম্বীনা হায়খি, হোলি দলনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা ৱার্কশোপ অমদি ফেষ্টিভেল অসিনা হীরম অসিদা পুন্না খন্ন-নৈনগনি। অখঙ-অহে কয়া য়াওনা খন্ন-নৈনগদৌরিবা অসিনা হোলিগী মতাংদা নীংথিনা খন্নদুনা ফজবা কয়া অদু পুথোক্কনি। অহল-লমনশিংনা থম্বীরক্লিবা মমল য়াম্লবা মচাক কয়া অসি ঐখোয়না নীংথিনা ঙাক্তুনা থম্বা তাই। নুমীৎ মরিনি চুপ্পা চত্থগদৌরিবা ৱার্কশোপ কম হোলি ফেষ্টিভেল অসিদা হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা অখঙ-অহে কয়ানা য়াম্না কুপ্পা নৈনদুনা পুথোক্কদৌরিবা অসি অফবা খোঙথাং অমা ওইগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱার্কশোপতা সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দীশিং, নট সঙ্কীর্ত্তনগী সিনিয়র গুরু কয়া অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী অখঙ-অহে কয়ানা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

## চূড়াচান্দপুর পুলিসনা লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): চূড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইন্সপেক্টর এম দি সলামনা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী টিম অমনা নোংমগী ওইবা লম-তূ শেংদোকপগী থৌরম অমা চূড়াচান্দপুরগী ন্যু বজার এরিয়াদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী মতাংদা ও সীনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম অমসুং পুলিসকগী মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংনগদবনি। লোয়ননা কৈথেল ফল্লিবা মীওইশিংনসু পুলিসকা কোওপরেসন পীনগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পিনা লৌখৎলকপা থবকশিংগী মনুং চন্না নোংমগী ওইবা লম-তূ শেংবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মসি মখা তানসু পাঙথোকখিগনি হায়খি।

লোয়ননা মফম অসিগী দুকান ফল্লিবা মীওইশিং অমদি পোৎফম ফম্বীশিংনা মখোয়-মখোয়গী মফমশিং লূ-নান্না থম্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি। লম-তূ শেংবগী থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী ভি দি এফ পর্সনেলশিং য়াওনা পর্সনেল ৫০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর এম সুধিরনা লুচিংবা পুলিস ষ্টেসন অসিগী পর্সনেলশিংনসু ঙসি এম জি এভেন্যুদা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম খীল্লিবা মফম অমসুং অকোয়বদা নোংমগী ওইবা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লগনি : লূপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কোংপাল কোংখাম লৈকায় অৱাং মৈরা লূপগী সেক্রেটরি অমদি প্রেমিখোং এন্দ কোংবা রিভর কনবা লূপ, খুরাইগী কনভিনরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, প্রেমি খোং অসি খুরাই চাইরেন্থোংদগী হৌরগা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী পোরোম্পাৎ থৱানথাবা লৈকায়দা লোইশিনবা কিলোমিটর ৩.৮০ শাংবা খুরাই মায়কৈগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা খোং অমনি। হায়রিবা খোং অসিদা ইতিনফম ওইরিবা মফমশিংদি, খুরাই এ সী, ৱাংখৈ এ সী, ক্ষেত্রিগাও এ সীনি। খোং অসিনা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ জেনিমস অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগীসু য়াম্না মরুওইবা খোং ওইরিবনি। খোং অসি মতিক চাদবদগী খুৎশেমগী ঈচাউ চহী খূদিংগী খুরাই এ সীদা থোকহল্লি। খোং অসি দোনর মিনিষ্ট্রিগী শেন্থং পীথদুনা সেন্টরনা চাদা ৯০ অদুগা ষ্টেটনা চাদা ১০ দা কুমজা ২০১৮গী জুন ২৯ দগী শেম-শাবা হৌরকখিবনি। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী শরুক লোইশিনখ্রে।

ৱার্কিং সিজনদা লোইশিনগদবা খোং অসি খুরাই এ সীগী শরুক্তা শেম্বা শাবা হৌরকপদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদ্রে হায়দুনা থুগায়বা, থিংজিনবা তৌদুনা থবক শুবা লেপখ্রে। করিগুম্বা দি পি আরগী গাইদলাইন মতুং ইন্দনা থবক শুরম্বা ওইরগনা কন্ট্রেক্টর ব্লেক লিষ্ট তৌবীয়ু। দি পি আরগী গাইদলাইন ইন্দুনা থবক তৌরম্বা ওইরগনা মখা তানা অথিংবা লৈতনা থবক শুহনবীয়ু। য়েৎনদুনা লৈরগা খোং অসিগী ফন্দ হনখিবা তারগদি খুরাই মীয়ামগী মাংজবা ওইহৌরগনি। য়েৎনদুনা লৈবনা খোং অসিগী অপীবা মতম লোইখিদুনা টাইম এক্সটেন্সন লৌরগা লাকপসু কুমজা ২০২০গী মার্চতা লোইরবনি। খোং অসি লোইশিনদবনা নোংজুথা মতমদা খুৎশেমগী ঈচাউ থোক্লিবা অসিদগী কন্নবা কোংবা তুরেলদা থৈদোরকপনা তুরেল অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী মোৎপা তুরেল খনগৎপদা অনীশুবা ওইরে। তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবা য়াদবনা তুরেলগী নাক-য়েৎতা খুন্দারিবা মীয়ামদা য়াম্না চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে অমদি লায়না তীন্না পোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

খুরাই মীয়ামগী খনবীরগা খোং অসি থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা মখা তানা ক্বালিটি লৈনা শুহনবীয়ু। করিম্বা শুবীদবা তারগদি মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। হীরমসিদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লৈঙাক্লা মণিপুরী ফিল্ম চাওখৎনবগী শেনথং মতিক চানা পীনবা তকশিল্লগনি : সুরজকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২(ঐচ এন এস): অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লমদম অদুগী ফিল্মশিং চাওখৎনবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেনথং কয়া মতেং পাংবগুম ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লসু মতেং পাংফম থোকই। অথুবা মতমদা মণিপুর ফিল্মবু অৱাংবা থাক্তা অমদি ক্বালিটি লৈবা ফিল্ম পুথোকপা ঙম্নবগীদমক ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লা মণিপুরী ফিল্ম চাওখৎনবগীদমক শেনথং মতিক চানা পীনবা তকশিল্লগনি হায়না এন-কেএ এম বি টি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা এম এস এফ দি এসতা ১৫ ওগষ্ট নুংশি ৱারী (১৫ অগষ্ট এ লব ষ্টোরি) হায়বা ফিল্মগী স্ক্রিনিংগী থৌরমদা খাঙাবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সুরজকুমার (কেনেদি)না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী লায়রবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা লায়রবা ষ্টেট অমা ওইরবসু আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দদি খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ষ্টেট অমা ওই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্লসু ফিল্ম অমদি আর্ট এন্দ কলচরবু চাউখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। এম এস এফ দি এসতা স্ক্রিনিং তৌখিবা ফিল্ম ১৫ ওগষ্ট নুংশি ৱারী হায়রিবা ফিল্ম অসি বিজু অমদি বোজিনা পুথোকপনি। থৌরম অদুদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেন এস মঙ্গোলজাও, খাঙাবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম সুরজকুমারগী লোয়নবী দা. মিঙ্কি অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৩ অমদি ৯গী কাউন্সিলর পুয়াম জোটেসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরমগী মখা তারকপদা ফিল্ম অসিগী শরুক অমা ওইরিবা আর্টিষ্ট কয়াদসু ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস): কম্যুনিটি নেটৱর্ক ফোর ইম্পাৱরমেন্ট (কোন)দা ঐচ সী ভি দ্রগ এফোর্দেবিলিটি প্রোজেক্টকী সুপরভাইজর ওইনা থবক তৌরম্বা পল্লুংবম কেনেদিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কোনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না লৈখিদবা অসিদা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈবা কোনগী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা তাইবং শেম্বা মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না কোনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# পাউখুম চে শেগায়রম্বগী থৌদাং বোসেমনা পুগদবনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সুন্দর খুমননা থোরকখিবা চেরোল অমনা হৌজিক বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌদুনা পাঙথোক্লিবা ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা থা অসিগী ২১ দা থোকখিবা সাইন্স সবজেক্টকী নুমীৎতা ক্বাকৈথেলদা লৈবা রেগ্যুলর ইংলিস হায় স্কুল (ব্লোক-এ)গী সেন্টরদা কেথোলিক স্কুল, কাঞ্চিপুরগী মহৈরোয় অমগী অন্সর পেপরশিংগী মরক্তা শেগায়বা য়াওরম্বগী থৌদোক থোক্লিবা অসিগী থৌদাং বোসেমনা পুগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মহৈরোয় অদুনা ইনভিজিলেটরদা কমপ্লেন তৌরবা ফাওবদা থৌ-ৱা শাখিদবা অমদি সাইন তৌবীয়ু হায়বদা য়াখিদবা অসি ইনভিজিলেটর অদুনসু অথুবা মতমদা করি মরমগী য়াদ্রিবনো হায়বদু লৈবাক মীয়াম খঙনা শেংদোরক্কদবনি হায়রি। মহৈরোয় অদু পূক্নিং-ৱাখল লৈতানা লৈতবা অসিনা মরম ওইরদুনা লেমহৌরিবা সবজেক্টশিংদা পূক্নিং-ৱাখল চঙনা হোৎনদুনা লৈজগদবদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা হরাসমেন্ট পীবা ওইনা থোক্লে। থৌদোক অসি এম এস এফনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা বোসেম অমদি কা অদুদা তারিবা ইনভিজিলেটর অদুদা মরী লৈনবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙদুনা মহৈরোয় অদুগী ৱাফম অসি ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরকউ হায়নসু ফোঙদোক্লি। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# নেসনল অমসুং ষ্টেট টেলেন্ট সর্স এগজামিনেসনগী ফল লাউথোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস) টি ঐচ কিরনকুমারনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না ষ্টেট লেভেল নেসনল টেলেন্ট সর্স এগজামিনেসন, ২০১৯ (ক্লাস টেন তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী), ষ্টেট টেলেন্ট সর্স এগজামিনেসন ২০১৯ (ক্লাস নাইন তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী) মেরিট/দিষ্ট্রিক্ট/জোনেল কন্সোলেসন প্রাইজশিং পীনবগীদমক পাঙথোকখিবা এগজামিনেসনশিংগী রিজল্ট লাউথোক্লে হায়রি।

রিজল্ট অসি দিরেক্টোরেট অসিগী এগজামিনেসন কম্মিটিনা থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ৩ দা ফমখিবা মীফমগী মতুংইন্না রেকমেন্দেসন তৌরকপগী মতুংইন্ননি হায়রি। অদুগা ক্লাস আইট তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা স্কোলারশিপ পীনবগীদমক মমাঙগী কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বর ৩দা পাঙথোকখিবা নেসনল মিন্স-কম মেরিট স্কোলারশিপ এগজামিনেসন, ২০১৯গী ফলসু লাউথোক্লে হায়রি। ফল লাউথোক্লবা এগজামিনেসনশিং অসিগী অকুপ্পা ৱারোলশিং লোয়শঙ অসিগী ৱেবসাইট নৎত্রগা নোটিশ বোর্দ নৎত্রগনা দিরেক্টোরেট অসিগী সাইন্স য়ুনিটতগী খঙবা য়াগনি হায়রি। হায়রিবা রিজল্টশিং অসি এন সী ঈ আর টি, ন্যু দিল্লিনা মমাঙ থাগী ২৮দা পীরকখিবা কনকরেন্সকী মতুংইন্না লাউথোকপনি হায়রি। লোয়ননা নেসনল টেলেন্ট সর্স এগজামিনেসন, ২০১৯ (ষ্টেজ টু)না চৎলিবা কুমজা অসিগী মে ১০ দা পাঙথোক্লগনি হায়না এন সী ঈ আর টি, ন্যু দিল্লিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটরনা খঙহল্লক্লে হায়রি।

## কিন্থগদবগী ঙাইদুনা লৈরবা সোরা হায় স্কুলগী শঙদা মহৈরোয়শিং...

*লামায় ১গী মখা...* (আর্টস) ১ অমসুং পি টি ওজা ৪ লৈরি। মরক অসিদা ওজা ২ অমদি অতোপ্পা স্কুলশিংদা য়ুটিলাইজ তৌখ্রে। হায় স্কুলগী ওইননবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর খরসু পীরকখিবা লৈখ্রে। সোরা চীংৱাংমদা শাগৎলিবা স্কুল শঙ অসি লোইশিনবীরবদি সোরা হায় স্কুল মপূং ফানা চল্লাইবা য়ারগনি। হৌজিক লৈরিবা স্কুল অসিদি এম দি অব্দুল মতলিব (৪৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা হাজি জালিল কৌবা মীওই অমগী লমদা লৈবনি। লৈঙাক্লা স্কুল অদু হৌরকপা মতমদা থবক পীগনি হায়দুনা য়ানরগা স্কুল শঙ অদু শাদুনা স্কুল অদু চল্লাইবা হৌখিবনি হায়। লৈঙাক্লা থবক পীদবদগী লম অদু লৈঙাক্তা শিন্নরমখিদবনা নেসনল হায়ৱে ১০২ পাকথোকপদা শোকপা লমগী কম্পেন্সেসনসু এম দি অব্দুল মতলিবনা ফংখি। হৌজিকসু স্কুল অসি হোংদোকপীখ্রো হায়না কন্না হায়রিবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, মফম অদুদা থেংনরকখিবা এম দি জিয়াউলহক কৌবা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও), ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্টনি হায়বা মীওই অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা মহৈ-মশিনগী লম্দসু অখন্নবা মীৎয়েং অমা থম্বীরক্তুনা স্কুল ফগৎহনসি মিসনসু পায়খৎপা হৌবীরকখ্রে। মসিমক মণিপুর মীয়ামগী লাইবক ফবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৩দা সোরা জুনিয়র হায় রাষ্ট্রিয়া মধ্যমিক শিক্ষ্য অভিয়ান (আর এম এস এ)গী মখাদা ক্লাস রূম-৮ অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মাইনোরিটি এফ্যের্সকী মখাদা স্কুল ক্লাস রূম-৩ কন্না শারি। কুমজা ২০১৭তা মতম অদুগী লৈঙাক্লা ৪৪-য়াইথিবী লৌকোলদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়দুনা থৌরাংলকপদা ৪৪-য়াইথিবী লৌকোলগী অকোয়বদা লৈরিবা সোরা অমসুং অতে খুন্থুংনরিবশিংগী খুঞ্জাশিং হৌরক্তুনা য়ানিংদবগী খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখিবদা মীয়ামগী ঈহৌ অদুবু নমথনবনি হায়দুনা শাবা লোইদ্রিবা স্কুল শঙ অদুদা সোরা আউট পোষ্ট হায়না অমা হাংদোক্লুনা পুলিস থমজিনবদগী মতম কুইনা অমুক স্কুল শঙ শাবা অদু লেপ্তুনা লাকখিবনা সোরাগী লায়রবা, প্রাইভেট স্কুলদদি মহৈ তম্বা ঙমজদবা মহৈরোয় কয়া অমদি নোংজু-নুংশা মরক্তা ককচীং তান্না, গাড়ী অতোংমল তিংদুনা য়াম্না ৱানা মহৈ তম্বা চৎনরি।

সোরা হায় স্কুলগী শাগৎলিবা শঙদা লৈরম্বা সোরা আউট পোষ্ট অদুসু কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১১দা খুনুদা চিনজিনদা অমুক হোংদোকপীখ্রে। আউট পোষ্ট অদুসু হোংদোকপীখ্রবনিনা সোরা হায় স্কুলগী শঙ শারিবা অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীদুনা মপূং ফানা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়নসু এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবশিংদা হায়জখিবসু লৈখ্রে। হন্দক চহী অসিদদি হায় স্কুলগী ক্লাস হৌবা ঙমদ্রবসু, হৌজিক লৈরিবা কিন্থগদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা স্কুল অসিদা মহৈ তম্লিবা অঙাংশিং অসিগী খনবীরগা অথুবা মতমদা স্কুল হোংজিনবা য়ানবা অদুগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২১দগী মপূং ফানা সোরা হায় স্কুল চল্লাইবা য়ানবা হোৎনবীয়ু। হৌজিক শাগৎলিবা স্কুল শঙ অসিগী কেম্পস অসিসু খরা পীকপনা শারিবা স্কুল অসিগী মমাংদা লৈরিবা কোথোকপা হৌরল্লবা চীংগী শরুক অসিসু য়ারবদি লৌথোকপীরগা স্কুলগী কেম্পস অসিসু খরা চাওথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙশিনবীয়ু হায়নসু এম দি জিয়াউলহক কৌবা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও), ককচীং দিষ্ট্রিক্টনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

## ৱাহংচে লিক ওইহনবদা চেন্নবা অমা...

*লামায় ১গী মখা...* য়াওরম্বা থেংনখিবনি। তুংদা মহাক্লা ৱাহংচেশিং অসিবু তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংদা থাখি হায়বসু খঙবা ঙম্লে। মদুদগী এম সুন্দরচান্দবু ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.০৮ লোম তাবা মতমদা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী টিম অসিনা ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা সুন্দরচান্দ ঙসি দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোক্লবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

## সী এম : থা খরগী মনুংদা মণিপুরদা...

*লামায় ১গী মখা...* য়াম্না মরুওইবা অমনি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক হনবা লৈতনা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। থা খরগী মনুংদা অফবা অহোংবা কয়া উবা ফংলগনি। মখা তানসু মীয়ামগীদমক থবক তৌখিগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এস জয়, এম এল এ, টি ঐচ সৈত্যব্রত অমদি পি শরতসু শরুক য়াখি হায়রি।

## ডা. এলাংবম গিরাণিনা ইবা লাইরিক...

*লামায় ১গী মখা...* লাইরিক অসি হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক পুথোকপা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি ইনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমসু থেংনখি হায়না মহাক্লা মখা তারদুনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. এল শশিকুমার য়ুরেম্বমনা ফোঙদোকখিবদা নোহাখোলনা ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসি ২০০রকশুবা লাইরিকনি। নোহাখোলনা মতম পূম্নমক্তা অইবশিংগী খন্দুনা লাইরিক কয়া পুথোকখ্রে অমদি মখা তানসু পুথোকখিগনি হায়খি। লোয়ননা মহাক্লা হায়, নোহাখোলনা থমখিবা পান্দম য়ৌবা ঙম্লকপা অসি নোহাখোলবু নুংশিবিদুনা মীয়ামগী অমদি নোহাখোলদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনখিবা অদুগী মহয়নি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা নোহাখোলগী এক্স প্রসিদেন্ট গৌরো থোঙামচা অমসুং মণিপুর কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার এস রঞ্জননা অথোইবা মীথুঙলেন অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

## এ পি পান্দে দিসমিস তৌরে হায়বসি...

*লামায় ১গী মখা...* এম য়ুদা ঈরাং কয়া হৌবগা লোয়ননা মহৈরোয় কয়া অমদি ওজা কয়া ফাদুনা জেলদা থমজিনবা লৈখি। য়ুনিভর্সিটি মনুংদা সিক্যুরিটি ময়াম চঙশিন্দুনা ফূ-চৈবগী থবক চত্থবা কয়া অমসু লৈখিবনি। এ পি পান্দে লৌথোক্লবা মতুংদা মণিপুরগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা জর্নেল সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থৌ পুহন্দুনা লাকখ্রে। এ পি পান্দেগী মথক্তা চঙশিল্লকখিবা ঈহৌ কয়া অদুনা মরম ওইদুনা কম্মিটিনচিংবা শেমদুনা থিজিল্লকখি। মহাক হৌজিক্তি দিসমিস তৌরকখ্রে। মসি মীয়ামগী ঈহৌগী মায় পাকপা অমনি।

কাউন্সীল ওফ হায়র এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামগী পোলিটিকেল সাইন্স সবজেক্টতা বি জে পিগী ইলেক্সন সিম্বোল য়েকউ হায়বা ৱাহং হংলকখিবা অসি নোক্লিংবা অমনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মিনট ১৫ খূদিংগী ইন্দিয়াদা রেপ তৌবগী...

*লামায় ১গী মখা...* মতিক চাবা চৈরাক ফংহনবা ঙমদ্রি হায়বগী মতাংদা ৱিমেন্স রাইটস গ্রুপশিংনা খোল্লাও কয়া লাউরকখি।

নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বী ললিতা কুমারমঙ্গলমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিদা হৌজিকসু নুপানা মরুওইবা থৌদাং অয়াম্বা লৌবগী ফীভমদা লৈরি। নুপী প্রাইম মিনিষ্টর অমা থোরকখিবা তারবসু ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবা নুপীশিংগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ফোরেন্সিক লেবোরেটরি মশিং য়াম্না লৈতবা অমসুং ফাষ্ট ট্রেক কোর্টশিংদা জজ মশিং য়ামদবগী মতাংদসু কুমারমঙ্গলমনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬তা দিল্লিগী পার্টনর্স ফোর লো ইন দিভলপমেন্টনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, রেপ কেস অয়াম্বা মপুং ফানা ৱায়েল চত্থবদা চাংচৎ ওইনা থা ৯ লোম চঙই। মফম অয়াম্বদা হায়দোকপা ঈকায়নবনা রেপ তৌবগী থৌদোকশিং লোৎশিনবগী মওং অমসু উবা ফংলি হায়না ষ্টদিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নেসনল লো য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা ইন্দিয়াগী ওইনা শিবগী চৈরাক ফংগদৌরবা প্রিজনর মশিং ৩৭৮ লৈখি। মমাঙ চহীদা ত্রাইয়েল কোর্টনা মীওই ১০২ শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী হায় কোর্টনা কেস ২৬তা শিবগী চৈরাক পীবগী ৱাফম শৌগৎখি। সুপ্রীম কোর্টনসু কেস ১৭তা শিবগী চৈরাক পীবগী মতাংদা শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মমাঙ চহীদা তোঙান তোঙানবা হায় কোর্টশিংনা শিবগী চৈরাক ফংগদৌরবা মীওই ৫৬ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্বগী চৈরাক পীনবা খঙহনখি। সুপ্রীম কোর্টনসু মীওই ৭ শিবগী চৈরাক পীবগী মহুৎতা পুন্সি চুপ্পা জেলদা ওইনা থম্নবা খঙহনখি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়, ষ্টেট অয়াম্বদা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লিংখৎতুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলবসু মেন পাৱর অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদবনা পান্দম ফংবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে।